ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জনুৱারী ০১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৭৩শুবা মশীং

# অনৌবা চহী হৌবা নুমীৎ

## কা হেন্না লাঙথোকপা, নুংঙাইথোকপা চুন্নিবরা হায়বদু খন্থমিন্নরসি

গ্রেগোরিয়ন কেলেন্দর নৎত্রগা জুলিয়ন কেলেন্দরদা জান্যুৱারি ১ বু অনৌবা চহী হৌবা নুমীৎ হায়না মালেমগী মফম পুম্নমক্তা খঙনরি। মালেমদা খ্বাইদগী পাক-শন্না অমসুং হরাও-মথোই কানা পাঙথোকপা থৌরমদি "ন্যু য়র'স দে" নি হায়না লৌবা য়াই। অরিবা চহী লোইশিল্লকপা পুংফমদা, দিসেম্বর ৩১ গী অহিং নোংয়াই হেক লানবগা অনৌবা চহীগী অনৌবা ৱারেপ কয়া লৌদুনা অমসুং ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং, মরী-মতাশিংদা য়াইফ-পাউজেল পীনদুনা থৌরম পাঙথোক্নে। এংলিকন চর্চ অমসুং লুদরান চর্চকী মতুংইন্না জান্যুৱারি ১ দা জিজস খ্রাইষ্ট সর্কমসিজন তৌখিবা নুমীৎনি হায়না লৌনদুনা অচৌবা চাক্লেন য়াওবা থৌরম পাঙথোক্নে। হিব্র্যুগী থাজনবী মতুংইন্না করিগুম্বা খ্রাইষ্টনা দিসেম্বর ২৫ দা পোকখিবা তারবদি মহাক্না তাইবংদা খোঙদারকপগী নিপালনিশুবা নুমীৎ, হায়বদি জান্যুৱারি ১ দা সর্কমসিজন তৌরমগনি হায়না লৌনরি। নুমীৎসিদা মথেল-লুকোই লাঙদুনা চামিন্নরগা থৌরম পাঙথোক্লরি। মেসোপোটামিয়া হায়না খঙনবা ইরাক্তদি খৃষ্টনা পোক্কদবা চহী ২০০০ রোম ৱাৎলিঙৈদগী অনৌবা চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ঙল্লিঙৈ মতমগী রোমান কেলেন্দর মতুংইন্না মার্চ ১ দা অনৌবা চহী হৌবা নুমীৎনি হায়না লৌনরম্মী। কেলেন্দর অদুদা মার্চতগী হৌরগা থা ১০ না চহী অমা শারম্মী। তোঙান তোঙানবা মফমদা লাইনিং অমসুং চৎনবী খেন্নবা মরম্না অনৌবা চহী হৌবগী থৌরমসু তোঙান তোঙানবা নুমীৎতা পাঙথোক্নে। ইজিপসিয়ন অমসুং ইথিওপিয়নশিংনা লীপ য়র তাবা নৎত্রগা তাদবগী মতুংইন্না সেপ্টেম্বর ১১ নৎত্রগা ১২ দা অনৌবা চহী হৌবা নুমীৎনি হায়না লৌনৈ। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী পেন্সিলভেনিয়া মনুং চনবা ফিলাদেলফিয়াদা জুন থাগী অনীশুবা নোংমাইজিংদা চহী হৌবা নুমীৎকী থৌরম পাঙথোক্নে। চাইনাদদি থাগী খোঙচৎতা য়ুম্ফম ওইরগা লুনর কেলেন্দরগী মতুংইন্না জান্যুৱারি ২০ দগীনা ফেব্রুৱারি ২০ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা চহী হৌবা নুমীৎ হেক হেক তাই। নুমীৎসিদা ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং অমদি মরী-মতাশিং পুল্লগা চামিন-থকমিন্নে। লম্বীদা দ্রেগোন দান্স অমদি লাইয়ন দান্সনচিংবা পাঙথোক্তুনা বোম্বুলা থারগা হরাওবা ফোঙদোক্নে। কম্বোদিয়া অমসুং থাইলেন্দগী ওইনদি এপ্রিল ১৩ নৎত্রগা এপ্রিল ১৪ দা অনৌবা চহী হৌবা নুমীৎ ওইনা লৌনৈ।

ইন্দিয়াগী ওইনসু মফম-মফমগী মতুংইন্না চহী হৌবা নুমীৎ খেন্নে। লীপ য়র তাবা নৎত্রগা তাদবগী মতুংইন্না অসাম, বেঙ্গল, কেরলা, নেপাল, ওরিষা, পঞ্জাব, তেলঙ্গনা, অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং তামিল নাদুদা এপ্রিল ১৩ নৎত্রগা এপ্রিল ১৪ দা চহী হৌবা নুমীৎ ওইনা লৌনৈ। সিখ ফুরুপকী মীওইশিংনা কুমজা ১৪৬৯ দা গুরু নানক পোকখিবা মার্চ ১৪ দা অনৌবা চহী হৌবা নুমীৎনি হায়না লৌনরি। ইরমদম মণিপুরগী ওইনদি থাপালোলদা য়ুম্ফম ওইরগা শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাওবা নুমীৎতা চহী হৌবা নুমীৎ ওইনা লৌনৈ। মতৌ অসুম্না তোঙান তোঙানবা মফমদা লাইনিং-লীচৎ, চৎনবী অমসুং নাৎ খেন্নবগী মতুংইন্না চহী হৌবগী নুমীৎ খেন্নরবসু গ্রেগোরিয়ন কেলেন্দরগী মতুংইন্না জান্যুৱারি ১ দা অনৌবা চহী হৌই হায়বসি মালেমগী মীওই পুম্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনি। অনৌবা চহী লাকপদা ইমুং-মনুং, মরী-মতা অমসুং মরুপ-মপাংশিংগী মরক্তা য়াইফ-পাউজেল পীনৈ। অদুবু কদায়দগী কমদৌনা হৌদোকখিবগে খঙদবা মওংদা চাকচা-হৈজানবা, পিকনিক চৎপা অমসুং কা হেন্না নুংঙাইথোকপগী মওং অমা চহী হৌবা নুমীৎকা মরী লৈনহল্লকপগুম তৌরি। নুমীৎসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাশিন-থকচিল্লগা গাড়ী থৌবদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক মশিং থীঙমদনা থোক্লি। অরিবা চহী লোইরমদাই মীৎকুপতগী হৌরগা অনৌবা চহী হৌবা নুমীৎ লাকপা ফাওবদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চারগা গাড়ী থৌবদা এক্সিদেন্ট থোকপদগী মীওই কয়া শিরি। হিরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা চহী খুদিংগী চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলগসু মীওই কয়ানা শঙ্গু-শঙ্গু ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাশিল্লগা গাড়ী থৌবগী থৌওং মপুং ফানা থিংবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি। হিরম অসিগী মতাংদা উত্তরখন্দগী ওইনা শিংথানিংঙাই ওইবা থৌরাং অমা লৌখৎলক্লে। গাড়ী থৌগদৌরিবা মীওই অদু য়ু ঙাওবা তারবদি গাড়ী ষ্টার্ট হৌহন্দনবা অমসুং মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসন্দা পাউ য়ৌহন্নবা টেক্নোলোজি অমা শেমগৎলক্লিবসি পূক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি। অনৌবা চহী হৌবা নুমীৎতি লায়রদনা অতৈ মতমদা ফাওবা ইন্দিয়াদা পুংজা খুদিংগী মীওই ১৬ এক্সিদেন্ট থোকপদা শিরি হায়বা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী দেটা য়েংলুরগদি হিরমসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোক্লে। অমরোমদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট, নেসনল পোপ্যুলেসন অমসুং বোর্দর পিল্লরগী চয়েৎনবনচিংবা ৱাথোক কয়ানা থল্লবা লমদমসিদা অনৌবা চহী হৌবগা মরী লৈননা কা হেন্না লাঙথোকপা, হরাউ-মথোই কাবা চুন্নিব্রা হায়বদু পূম্নমক্না তরেৎ-তরা তোক্লা খন্থমিন্নবা মতম ওইরে।

### এদিটরদা থারকপা চিঠি

#### নুংঙাই-য়াইফ-পাউজেল

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

মালিয়াফম পালচা কুমশিং ৩৪১৮ হৌরে কুমসি কুমগী ৱাকচীং নোংমা পানবা য়াইফরবা ইরাই নুমিৎসিদা। পোইনু থাবুম লোইখিদুনা অরিবা কুমশিং লাক্লে। অরিবা কুমশিং হৌবগী, ৱাকচীং থাবুম হৌবদা, ৱাকচীংগী নোং তারে। পোইনুগী চরূখোক ঈরিনবা ৱাকচীংগী নোংসু ওইরে। য়েননৌ য়েননীং চোংনবা, কংলৈ লৈশা লৈহাও চেন্নবা ৱাকচীংগী নোং তারে। লৈহৌমী মচাশিং য়াকাইনবা ৱাকচীংগী নোং তারে। কুমসি কুমদি কুমফরে।

হৌরো কংলৈচাশিং, ইরৈচাশিং পূম্নমক, ইনুং ঙাল্লে, কোরৌহনবা থোরক্লে, পাঙদুম্নরনু, শিন্থা পাঙলসি শিন্থোঙ খঙনা। ঐখোয়গী শক্তম ময়েক শেংলসি, মালেমদা তোমথিলওই শক্তাক্লসি। মীগীদো ঐগীনি খনবনা লমথুংফম খঙদনা লম্মাঙনরনি। মতিক চাদে খল্লবসু ঐখোয়গীনিনে তোল্লবী কংলৈপাক (মিংগৌনরিবী মণিপুর) ইমাগী লৈশেল্লকপদগী লৈশারোলগা লোয়ননা শাগোন্নদুনা লাক্লবা, মীতৈশিংগী মী হৌবদগী লোয়নরক্লবা য়েলহৌমী ঐখোয়গী লাইশিংবু খুরুমজরসি। ঐখোয়গী লাইশিংনা ঐখোয়বু লমজিংগদৌরিবনি, লমতাকপীগদৌরিবনি খঙমিন্নরসি।

মীতৈ ঈ ঐখোয়গী কুমশিং মশীং থিবা হৌখিবা থাবুম তরানিথোইগী থাজিন, ৱাকচীং থানা লাকপদা কংলৈপাক (মণিপুর) ইমাগী য়েলহৌমী ইরৈচাশিংদা লোয়ননা লৈমিন্নরিবা অমসুং মালেমগী মীয়াম পূম্বদা অমসুং মালেমগী লৈবাক কয়াদা খুন্দাদুনা অমসুং লৈঙাক্কী লোইশঙদা থবক তৌদুনা লৈখ্রবা মীতৈ ঈরী ঈতা পূম্বদা হরাওবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা নুংঙাই-য়াইফ-পাউজেল পীজরি। মালিয়াফম পালচা কুমশিং ৩৪১৮ চহীচাসিদা অনা-অয়েক য়াওদবা, থম্মোয়নুংগী ওইবা অফবা মরীদা, নুংশি চান্নবা, নুংঙাই-য়াইফনা, অমনা অমগী মতেং পাংননা, শূবা নোম্বা কন্না, মশা মউ খিংনা, তিঞ্জং কায়জংদনা, মরৈবাক নুংশিবা মশক খঙনা হিংমিন্নরসি।

হিংমিন্নরিবশিংগী পুন্সিরোল অমগী পুন্সি শিন্থা পাংবদা, ঐখোয় পূম্বদা তাইবঙ শেম্বা মপুরেল, লাইনিংথৌ সনামহীলেন শিদবা, য়ূমথোঙ খুদিং লাইওইবা, ইবুংঙো মহাক্না অচান মীরায় নাইদনা, শামু-হকচাং-কোকলেন্দা য়াইফ ঈরিক খিকথবীবা ওইরসনু।

য়াইফরে, য়াইফরো, য়াইফমিন্নরসি, খুরুমজরি।

*অদোমগী- খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর, কুম্বী*

# অনৌবা চহীনা লাকপসিদা

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

ঙসি অনৌবা চহী কুমজা লিশিং অনী কুন হায়না মিংথোনবা অমা থুংলরে। অনৌবা চহী অসিনা করি অনৌবা নুংঙাইবা, অৱাবা, অকিবা পুরক্কদৌরিবা হায়বদি ঙমদ্রি। ঈংখ্রবা নীংথমথাগী অহিং অসিদনি মানা থুংলরিবসি। মী পূম্নমকশিংদি হরাওবনা লুতোন শাৎনবগুমদে-খ্র। থুংলরিবা অনৌবা চহী অসিবু তরাম্না ওক্লবগী শেম শাদুনা লৈনখ্রে।

অনৌবা চহী অমা মীওইবদা হাপচিল্লকপা হায়বসি অহল ওইশিল্লকপগী চৈখল অমা লাক্লিবনি হায়বসি কনানসু নীংশিংনদে। চহী য়ামশিল্লকপা হায়বসি পুন্সি তেনশিল্লক্লিবনি হায়বসি কনাসু নীংশিংনদে। হেন্নদুম অনৌবা চহী লাকপদা মথেল লুকোই কয়াগা লোয়ননা খোঙহাই চাবা অচিকপা মফম কয়াদা কাঙলুপ কাঙলুপ নাইনদুনা লম-চাক চাবা চৎনরি। মথেল লুকোই কয়াগী মরক্তা ময়াই কাবা মহি-মনাই কয়াগা থক্লদুনা নুংশিবা, নুংঙাইবা ঈশৈ কয়া শক্লদুনা তান থানগদৌরি। চহী হৌবা ঙসিগী নুমিৎসিগী হাপ্তা অমরোমদি মী অয়াম্বসি সিঙ্গর লোইনা ওন্থোক্কদৌরি। হৌখিবা চহীদা মহাক্না পাঙথোক্কে নীংজবা কয়া ঙমহৌবা/ঙমহৌদবা কয়াগী হিসাব হোৎনদে। লোয়ননা লাক্কদবা চহী অসিদনা করি করি থৌরাং লৌখৎলগা করি করম্বা অনৌবা পোলিসি প্রোগ্রাম তৌগদগে হায়বগী থৌরাং থোইনা লৈনদে। লৈরিবা থৌরাং হায়ববু কনা কনা পুল্লগা পিক্লিক চৎকদগে, করি থোঙগদগে, করি চাগদগে অমদি করি অনৌবা নুংঙাইবা ঈশৈ শক্লগা মীয়ামদা ঐগী নুংঙাইবসি ফোঙদোক্কদগে হায়বগী থৌরাং শিল্লিঙৈদা পুন্সিগী ৱাদি লোয়না কাউথোক্নে। য়াম্না নুংঙাইরিবদি ইনখৎলকপা নহাখক্তা নত্তনা থবক্তগী পোত্থরবা, চহী নম্বো পোরবা হনু-হনা খরসু পিক্লিক চৎনবগী প্রোগ্রাম শেম্নরি। ঙরাং চহী লোইবা নুমিত্তসু পিক্লিক য়াম্না চেৎনৈ। মখোয় মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা অদুনা করিনো খঙদে। অহলনি হায়দে, তাইবংগী অনৌ-অপেন অমদি মচু-মমেন কয়াদা ঙাওবা কয়া অমা লৈরি। মীওইসিনি য়াম্না শাথীরিবসি। নহা মখৈনা ঙাওরকপদা ৱারক ৱাতেমদুনা চৈ থাংগদবা মোই ময়াম অমনা লমচাক চাবা চত্তুনা লাংঙুনি হায়বা ৱাসিবু, মী মীগী অপাম্বনিদি হায়বু, কয়া ৱায়োং চাফত্তে। অদুবু কনানদি থিংলুনি। ঙরাংদগী চৎনরিবনি, কনানা থিংলি।

থমজরিবা ৱাফম অসি মীপুম লোইনমক্কীদি নত্তে। কনাগুম্বা খরদি য়াম্না চেকশিননা অনৌবা চহী লাকপগী হিসাব শুনবসু লৈরি। অনৌবা চহীবু তরাম্না ওক্তুনা য়াইফ নুংঙাই থৌজাল নীদুনা থাজবা লাইগী মফমদা অনৌ-অপেন কৎচবসু য়াওনরি। মী মীগী ৱাখল হায়বদুনি। চহী লোইবা নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদগী বাই বাই হায়দুনা লাউ খোংলিবা, নোক্লিবা, লাংলিবা মতা অমনি। ঙসিনা অমুক অনৌবা চহীগীনি হায়দুনা মী কয়া অমনা ঙা য়োনফম, চিকন য়োনফম অমদি অতৈ অতৈ য়োনফম খুদিংমক ক্যু লেপ্নরি। কয়াদা নুংঙাইখ্রবা মীওইবগী ৱাখলনো ? হৌখিবা চৎখ্রবা চহীনা লমদম অসিদা ওন্থোক্লা নুংঙাইখিদ্রবা থৌদোক কয়া অমা থনমলি। মদুগী ৱারীশিং অদুনা লমদমসিগী পুৱারীগী লাতমদা চনশিন্দুনা লৈখ্রগনি। হৌখিবা চহীদু নোং য়াম্না লিকখি। শুংচু চুখিদে। লৌ উবা য়াদদুনা য়াম্না ৱানখি। নোং তাদ্রে লৌ উবা য়াদ্রে হায়বা পাউনা লমদম অসি শিন থুংখি। লৌবুক অয়াম্বা চাওর-চাওরবা লৈক্রক চৎখি। লৈক্রক মরক অদুদা ফৌ হুজিনখি। হৌরকপা ফাওবদা নোং তারকখিদে। য়াম্না ৱানা তুরেলদগী এঞ্জিন পানখত্তনা ঈশিং চিংনখি। অদুনা কয়া য়াম্না লবুক্তা ঈশিং পীবা ঙমগনি। অয়াম্বা লৌবুক কুমসিদি ফৌ লোক্লখদে। ঙরাংদা লোইখিবা পোইনুদা মণিপুরদা চেঙগী মমল কে জিদা লুপা ৫০ য়ৌখ্রে। লৌরোক থাদা চেঙ কে জিদা লুপা ৫০ য়ৌরবসিদদি হৌজিক লাক্লিবা চহীসিগী থা খুদিংগী চেঙগী মমল খজিক খজিক হেনগৎলক্লবদি মথংগী ঙসিগুম্বা অনৌবা চহী লাকপদদি লুপা কয়া য়ৌদৌরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌ উবা য়াদ্রবা লৌফমদুদা থাবা য়াবা মহৈ-মরোং হুন্নবা/থানবা থৌরাং পায়খৎকনি হায়দুনা য়াম্না হায়নখি। অদুবু করম্বা লৌবুক্তা করি থৌরাং লৌখত্তুনা করম্বা মরূ মরাং হুনখ্রবগে হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা তুরেলদা লৈরিবা ঈশিংগী ফীভম য়েংলগসু কুমসিসু অদুক কা হেন্না ঈশিংগী ফীভম ফগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা উবা ফংদ্রি। পূম্নমকশিং অসি মহৌশাগী ফীভম শাথিনা কায়থরকপা অসিনা ওইগদৌরিবনি। মহৌশাগী ফীভম কায়হল্লকপা হায়বসি ঙসিগী মীরোল অসিখক্কী মরাল নত্তে। মমাঙ মমাঙদা লৈখিবা মীশিং অসিনা মহৌশাগী য়েক্লবা ওইরুবা, ও-ৱা য়াম্থত্তুনা অরেম্বদা মাঙহনবা অমদি অনৌবা পাম্বী থাজিনদবগী মহয়না ঙসিগী মীরোল অসিনা অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লাক্লিবনি। অদুবু হৌজিক্তি অনৌবা পাম্বী থাবগী হৈনবী অমদি লৈরে হায়না লৌই। মশা মশাগী মপোক নুমিত্তা, লুহোংগদৌরিবা বর-কৈন্যা অনীনসু উ চারা থাবগী চৎনবী অমা কন্না হৌদোরকপা থেংনরে। মসি অফবা খুদম অমনি।

হৌখিবা চহীগী থায়াই চনশিল্লকপদা ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈদা য়ুংশিল্লিবা পিলর নম্বর ৮২-৮৩গী মরক্তা চয়েৎনবা কয়া অমা থোকখি। মণিপুরগী মীয়ামগী থম্মোয়দা য়াম্না নুংনাংবা ফাওনখি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না ওফিসলশিং য়াওবা খোঙচৎ অমদা থল্লম্বা থাজবা পূম্নমক কায়খি। বোর্দর পিল্লর য়ুংলিবা অদু চুম্মী হায়না ইরায় লায়না হায়রকখি। মণিপুরগী হান্না লৈজরম্বা ঙমখৈগী শরুক ফনা নীংথিনা হৌজিকসু মাঙলি। অসিমক্তদা ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী লৈঙাক্না হীরম অসোমদা থোইদোক্না মীৎয়েং চঙদবদৌনা তৌরি। ইন্দিয়ানা জম্মু অমদি কাশ্মির মায়কৈরোমদা ঙমখৈগীদমক্তা লান কয়া তৌরি। মমল য়াম্লবা লান্মী কয়াগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙলি। মণিপুররোমদা নোংম নোংমগী মাঙশিল্লক্লিবা লম অসিদি ঙমখৈ ওইদবরা? হান্নসু চাওখ্রবা কবো ভেলি (কিয়ামপোক লমজাও) ম্যান্মারদা পীথোকখিবগী নীংঙমদবা লমদম অসিগী মীয়ামগী পূক্লিংদা হৌজিকসু কোকপা ঙমদনা লৈনরি। লাক্লিবা অনৌবা চহী অসিনা অফবা, য়াইফবা অমদি চয়েৎনবা কয়া শেংদোকপা ঙম্বা চহী অমা ওইরসনু।

অনৌবা চহী লাকপসিদা হৌরক্লিবা নহাশিংনা কা হেন্না নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা লম শিনবা থুংনা কোইচৎ চত্তুনা চাকচা হৈজানবা কয়া অসি য়ারিমখৈ মশিং হন্থহনবা অমা মথৌ তাই। হৌজিক্কী মতমদা অরেম্বদা কা হেন্না নুংঙাইথোকপা মতম মাঙহনবা হায়বসি চুমদে। অনৌবা চহী লাকপা খুদিংগী ঙাওশিন্নবা মীগী মশিং হেনগৎহন্নবা হোৎনরিবসি মমা মপা ওইবশিং অমদি অহল লমনশিংনা থিংনবা হোৎনবিবা ফৈ। অসিগুম্বা অসিদি য়ূম য়ূম খুদিংদগী হৌদবা য়ারোই। য়ূমগী অহল লমনশিংনা অনৌবা চহী লাকপা অসিদগী হৌনা কাঙলোন অমা শেল্লগা অঙাংশিংবু নীংথিনা ৱাখল-লৌশিং তানবা ৱারক-ৱাতেম্বগী মায়কৈরোমদসু চেকশিননা চঙশিনবা হৌরসি। ●




# দ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইরবা *এসিনোতোবেক্টর বৌমানি*বু হাৎপা ঙম্বা মোলিক্যুল : জে এন সী এ এস আর, বেঙ্গলুরু

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**



জয়ন্টা হালদর (ওয়্) অমসুং স্বাগটম বর্মন

*এসিনোতোবেক্টর বৌমানি* হায়বা বেক্টরিয়া অসি এন্টিবাইওটিক কয়ানা হাৎপা ঙমদ্রবা, হায়বদি মল্টি-দ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইরবা মহীক অমনি। মসিনা মীওইবদা শাথিরবা লায়না কয়ামুক পোকহনবা য়াই : থবোম্বীদা নাবা ন্যুমোনিয়া, ঈগী লায়নাশিং, থোপ নৎত্রগা স্পাইনেল কোর্দকী অনাবা মেনিনজাইটিস, কিদনি, ঈশিং মরী (য়ুরেটর) নৎত্রগা ঈশিংখাউ (ব্লেদর) দা নাবা য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন, উনশাদা অশোক-অপন লৈবদগী মহীকসিনা চংলক্তুনা উনশাগী লায়নাশিং পোকহল্লি। মহীক অসিনা পোকহনবা লায়নাশিংসি মরুওইনা ইম্যুন সিষ্টম শোনবা মীশিংদা হেন্না থোকহল্লি।


"সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন" না পাবগী মতুংইন্না য়ামদ্রবদা চহী খুদিংগী মীওই মিলিয়ন ২ রোম এন্টিবাইওটিকশিংনা হাৎপা ঙমদ্রবা বেক্টরিয়াশিংনা নাহল্লি হায়রি। মখোয়সিগী মনুংদা ২৩,০০০ দি লায়নাশিংদুনা মরম ওইদুনা শি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসখক্তদা অসিগুম্বা লায়নাশিং লায়েংবদা চহী অমদা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ২০দগীনা ৩৫ ফাওবা চাদিং তৌই। ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনন মালেম পূম্বগী ওইনা চহী খুদিংগী মীওই লাক্ষ ৭মুক্তি দ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইরবা মহীকশিংনা শিহল্লি হায়না পারি। অদুনা দ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইরবা মহীকশিংবু হাৎনবগীদমক থিজিনবগী থবক লেপ্তুনা পাঙথোরক্লি। অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা *এসিনোতোবেক্টর বৌমানি* হায়বা এন্টিবাইওটিক কয়ামুক্লা হাৎপা ঙমদ্রবা বেক্টরিয়া অসিগী ষ্ট্রেইনশিংবু হাৎনবগী পাম্বৈ অমা 'জৱাহরলাল নেহরু সেন্টর ফোর এদভান্স সাইন্টিফিক রিছার্স (জে এন সী এ এস আর), বেঙ্গলুরু" গী এন্টিমাইক্রোবিএল রিছার্স লেবোরেটরি" গী "জয়ন্তা হালদর" না লুচিংবা থিজিনলূপ অমনা পুথোকপা ঙম্লে হায়রি। মখোয়গী থিজিনবগী পাউদম অদু "এ সী এস এপ্লাইদ মেটরিএলস এন্দ ইন্টরফেসেস" তা ফোঙদোরকখিবনি।

থিজিল্লোয়শিং অসিনা পুথোরক্লিবা দ্রগ রেসিষ্টেন্ট *এসিনোতোবেক্টর বৌমানি* অসিবু হাৎপা ঙম্মী হায়রিবসি পোলিমর অমদা শমজিল্লবা এমিনো এসিদ (গ্লাইসিন) কী মোলিক্যুল অমনি। মিলিলিটর অমদা মাইক্রোগ্রাম ১৬কী মপাঙ্গল লৈবা মতমদা, মোলিক্যুল অসিনা দ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইদ্রিবা মচা কন্না পোক্লিবা বেক্টরিয়াশিংবু পুং অনীমুক্কী মনুংদা তুম্না হাৎপা ঙম্মী অদুগা দ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইরবা *এসিনোতোবেক্টর বৌমানি*না পুং মরিদগীনা তরুক ফাওবগী মনুংদা হাৎপা ঙম্মী। অদুম ওইনমক, চপ মান্ননা মপাঙ্গল কনবা মোলিক্যুলসিনদি দোর্মেন্ট ওইনা লৈরবা দ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইদ্রিবা বেক্টরিয়াশিংবু মিনট অনীগী মনুংদা হাৎলি অদুগা দ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইরবা বেক্টরিয়াশিংবুনা মিনট মঙাগুম্বগী মনুংদা হাৎলি।

*এসিনোতোবেক্টর বৌমানি* হায়বা বেক্টরিয়া অসি বাইওফিল্ম শেম্বগী মহৌশাগী ওইবা মচৎ লৈজে। অদুনা থিজিল্লোয়শিংনা মোলিক্যুল অদুনা বাইওফিল্মবু থুগায়বা ঙম্বগী মতাংদা চাংয়েং তৌরম্মী। মোলিক্যুল অসিনা দ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইদ্রিবা অমসুং দ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইরবা *এসিনোতোবেক্টর বৌমানি*না শেম্বা বাইওফিল্মশিংবু থুগায়বা ঙম্মী হায়বসি মখোয়না থেংনরম্মী। মিলিলিটর অমদা মাইক্রোগ্রাম ৬৪গী মপাঙ্গল লৈহনবা মতমদা, মোলিক্যুল অদুনা বাইওফিল্মবু থুগায়বগী চাংসি কোলিষ্টিন অমনা মাঙহনবগা চাংদম্নবা য়ারম্মী। কোলিষ্টিন হায়বসি দ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইরবা বেক্টরিয়াদুবু অতৈ হীদাকশিংনা হাৎপা ঙম্লক্ত্রবা মতমদা ইকোন কোন্না শীজিন্নবা এন্টিবাইওটিক অমনি। প্রোফেসর হালদরনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মোলিক্যুলদগী মপাঙ্গলনা মিলিলিটর অমদা মাইক্রোগ্রাম ৬৪ ওইহল্লগা অমুক্তং পীজবদা বাইওফিল্মদু মাঙহনবগী চাংদু ৬৫% ওই। মোলিক্যুল অসিবু হন্না হন্না পীজবা মতমদদি বাইওফিল্মদু মপূং ফানা মাঙহনবা ঙম্মী হায়না জে এন সী এ এস আরগী স্বাগটম বর্মননা ফোঙদোক্লি।

মোলিক্যুল অসিনা ফীভম কায়দ্রিবা সেলশিংদা অমাং-অতা থোকহনব্রা হায়না চাং য়েংনবগীদমক থিজিল্লোয়শিংনা মীওইবগী এম্ব্রিওনিক কিদনি সেলশিংদা চাং য়েংলম্মী। মিলিলিটর অমদা মাইক্রোগ্রাম ৮-১৬কী মপাঙ্গল লৈহনবা মতমদা সেল অমত্তা শিদবা থেংনরম্মী। মিলিলিটর অমদা মাইক্রোগ্রাম ৫০০গী মপাঙ্গল লৈহল্লবা ফাওবদা, সেলশিংদুগী ৮০%দি শিদবসু থেংনরম্মী। মোলিক্যুল অদুনা দ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইদ্রিবা অমসুং ওইরবা বেক্টরিয়াশিংবু হাৎপা ঙম্বগী মপাঙ্গল লৈবা মতমদা হু চেনবগী মগুন অমত্তা চেন্দে হায়না বর্মননা মখা তানা হায়রি। অতোপ্পা অমরোমদনা মোলিক্যুল অসিনা রেদ ব্লদ সেলশিংবু মাঙহনব্রা হায়বগী চাংয়েংসু পাঙথোকখি। মিলিলিটর অমদা মাইক্রোগ্রাম ১,০০০গী মপাঙ্গল লৈহনবা মতমদা, রেদ ব্লদ সেলশিংগী ১-৩% খক্তমক শিরম্মী।

*এসিনোতোবেক্টর বৌমানি* হায়বা বেক্টরিয়াসি অয়াম্বা এন্টিবাইওটিকশিংদা রেসিষ্টেন্ট ওইখ্রবনি। মরম অসিনা থিজিল্লোয়শিংনা মখোয়না পুথোক্লিবা মোলিক্যুল অসিদা কয়া থুনা রেসিষ্টেন্ট ওইরকপগে হায়বদু য়েংথোক্লবগীদমক, নুমিৎ ১৪নি চূপ্না বেক্টরিয়াদুগা মোলিক্যুলদুগা থেংনহন্দুনা থল্লম্মী। নুমিৎ ১৪গী মতুংদা বেক্টরিয়াদুনা মোলিক্যুলদুদা রেসিষ্টেন্ট ওইবা ঙম্লমদে। মোলিক্যুল অসিগী কুংবগী চাংনা মিলিলিটর অমদা মাইক্রোগ্রাম ৫খক্তং ওইরবসু, মোলিক্যুল অসিনা মল্টিদ্রগ রেসিষ্টেন্ট ওইরবা *এসিনোতোবেক্টর বৌমানি*গী মপান থংবা অমসুং মনুং থংবা মেম্ব্রেন অনীমকপু মাঙহন্দুনা হাৎপা ঙম্মী হায়না প্রোফেসর হালদরনা ফোঙদোক্লি। মখোয়গী চাংয়েংসি মখা তানা শাশিংগী মোদেলদা পাঙথোক্লগা য়েংখিগনি হায়রি। মদুদসু মায় পাক্লগদি মীওইবদা চাং য়েংনবগী পান্দম থিজিল্লোয়শিংনা থল্লি। ●



*এসিনোতোবেক্তর বৌমানি*